## চিংননিংঙাই ওইবা নুপী অমা ফাখ্রে

তুনিস, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): টেররিষ্ট এট্টেক চথুনবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়না থাজবা মশাগী চহী ২২ শুরবী নুপী অমা তুনিস-কার্থেজ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ফারে হায়না তুনিসিয়ল ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

থাংজ নুমীৎতা মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, জন্যুৱারী ১০দা নেসনল গার্দকী মখাদা লৈবা এন্টি-টেররিষ্ট য়ুনিটনা টর্কিদগী লাকখিবা মশাগী চহী ২২ শুরবী নুপী অমা তুনিস-কার্থেজ এয়রপোর্টতগী ফাখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, নুপী অসিনা হায়দোকচরকপগী মতুংইন্না মহাক কুমজা ২০২০গী সম্মরদা টর্কিদা চৎখি অমসুং মদুগী মতুং কুমজা ২০২১দা সিরিয়ন নেসনল অমগী মতেংগা লোয়ননা সিরিয়াদা চৎখি। সিরিয়াদা মহাক টেরর ওর্গনাইজেসন অমদা য়াওখি অমসুং মহাক টুনিসিয়াগী টুরিষ্ট দেষ্টিনেসনশিংগী মনুংদা অমদা সুইসাইদ মিসন অমা পাঙথোক্ক বগীদমক ট্রেন তৌখি।

মহাক্না সিরিয়াদা লৈরিঙৈদা টুনিসিয়ন নেসনল অমগসু পাউ ফাওনখি হায়নসু নুপী অসিনা ফোঙদোরকখি। মহাক্কী মতুংইন্না মহাক্না টুনিসিয়াদা হেক থুংবগা টুনিসিয়ন নেসনল অদুনা মঙোন্দা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট ফাবীগনি।

## থাউ চাইথোকপগা মরী লৈননা জজনা রেপসোলগী এগজিক্যুটিভশিংগী পেরু থাদোকপা য়াহনখিদ্রে

রিমা, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): পেরুগী জজ অমনা স্পেনিশ ইনর্জি জাইন্ট রেপসোলগী এগজিক্যুটিভ মরি থা ১৮ পেরু থাদোক্তুনা চৎপা থিংখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা অচৌবা ওইল স্পিল অমগী মতাংদা কন্না থিজিল্লিঙৈদা জজনা ওর্দর অদু থোকখিবনি। ওইল স্পিল অদুদা চাউরাক্না থাউ বেরেল ১১,৯০০ সমুদ্রদা লিক ওইদুনা চাইথোকখিবনি। লিক ওইবগী চাং অসি হান্না পাখিবদগী শরুক অনীরোম হেনগৎলমখি। জন্যুৱারী ১৫দা থোকখিবা থাউ পাথোকপগী থৌদোক অদু হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা ইকোলোজিকেল দিজাষ্টরনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

স্পেনিশ ইনর্জি কম্পনি রেপসোলনদি মদু তোঙ্গাদা থোকখিবা মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোক্না সমুদ্রগী ঈথক ঈপোম চাউনা থোকহনবদগীনি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। থৌদোক অদু ইটালিয়ন টেঙ্কর মের দোরিকমনা পেরুগী কেপিটেল লিমাগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পা লৈবা সমুদ্র খোংবালগা নক্লবা লা পম্পিল্লা রিফাইনরিদা থাউ থারিঙৈদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা রেপসোলনা হায়রি মদুদি, পেরুবিয়ন ওথোরিটিশিংনা সুনামি ৱার্নিং ইস্যু তৌখিবা লৈতে। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা মায়কৈ কয়াদগী চৈ-থাংনরকখিবা স্পেনিশ কম্পনি অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মশাগী ইষ্টিমেট অমা পীবা লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং ষ্টেটমেন্ট অমদা কম্পনি অসিনা ওইল স্পিল অসিগা মরী লৈনবা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন খূদিংমক্তা মপুং ফানা কোওপরেসন পীগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী রেপসোল পেরুগী স্পেনিশ প্রসিদেন্ট জাইম ফর্নান্দেজ-ক্লেষ্টা লুকা দে তেনা য়াওনা এগজিক্যুটিভ মরি পেরু থাদোক্তুনা চৎপদা অথিংবা থম্বীয়ু হায়বা ৱাফম অমা ইরাই নুমীৎতা জজ রোমুলদো অগুস্তোনা য়াখি। কম্পনিগী এগজিক্যুটিভ মরিদু পেরু থাদোক্তুনা চৎখিবা য়াবগী ফীভম খন্নরবা মতুংদা জজনা অথিংবদু থমখিবনি।

রেপসোলগী এগজিক্যুটিভশিংগী উকিলশিংনা জজগী ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা আপীল তৌখিদে। মখোয়না হৌজিক চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা মপুং ফানা কোওপরেসন পীগনি হায়না শগোলশেল নুমীৎতা ফোঙদোকখি।

প্রোজিক্যুটরশিংনা হায় মদুদি, সমুদ্রগী ঈথক ঈপোমশিংনা রিফাইনরি অদুগী অৱাংলোমদা শুংদোক্লিবা থাউ কিলোমিটর ১৪০ লাপ্পা চেনখিদুনা মশীং থিঙমদ্রবা ঙা অমসুং সমুদ্রগী উচেক কয়া শিহল্লে। থাউ চাইথোকপা অদুনা আর্টিসনেল ঙামী চা কয়াবুসু মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা ইটালিয়ন টেঙ্কর মের দোরিকোম এঙ্কর তৌরগা থমখ্রে।

হৌজিক ৱার্কর অমসুং ভলন্টিয়র চা কয়ানা ওইল স্পিল অদুদা শোক্লবা সমুদ্র মপালগী মফম ২০ লোম শেংদোকপগী থবক কন্না চথুরি। ফর্নান্দেজ-ক্লেষ্টা লুকা দে তেনাবু ষ্টেটতা চাউনা শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা ইনভাইরনমেন্টেল পোল্যুসন থোকহনবগী মরাল শীখি। অতৈ এগজিক্যুটিভ অহুম্বুনা ফর্নান্দেজদা মতেং পাংবগী মরাল শীখি।



## পুটিন অমসুং মেক্রোনননা সিক্যুরিটি গরেন্টিগী মতাংদা ফোনদা ৱারী শানখ্রে

মোস্কো, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): রসিয়া অমসুং নোংচুপলোমগী মরক্তা মতম কুইনা চৎনগদবা অমসুং লিগেল বাইন্দিং লৈগদবা সিক্যুরিটি গরেন্টিশিং লিংবগী ৱাফমদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোনননা ইরাই নুমীৎতা ফোনদা ৱারী শানখ্রে।

ৱারী শানবা অদুদা পুটিননা মেক্রোনদা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি গরেন্টিশিংগী মতাংদা লৈরিবা মোস্কোগী ড্রাফ্ট এগ্রিমেন্টশিংগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো)না পীবা অইবা রেস্পোন্সশিং রসিয়ানা চেকশিন্না ষ্টিদি তৌগনি।

ক্রেমলিনগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, রসিয়ানা লুনা লৌরিবা সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিং হায়বদি নাটোগী এক্সপান্সন লেপহনবা অমসুং রসিয়ন বোর্দরশিংগা নক্লনা ওফেন্সিভ খুৎলায়শিং দিপ্লোয় তৌদবনচিংবা মরুওইবা ৱাফমশিং অসিবু য়ু এস অমসুং নাটোগী রেস্পোন্সশিং অদুদা পল্লকখিদে হায়না পুটিননা ৱারী শানবা অদুদা ফোঙদোকখি।

মদুদা নত্তনা রেস্পোন্সশিং অদুদা সিক্যুরিটি কায়বা য়াদবা নৎত্রগা ষ্টেট অমগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহন্নবনি হায়দুনা অতৈগী সিক্যুরিটিদা শোক্কদবশিং তৌবা য়াদবা হায়বা প্রিন্সিপলগুম্বা মরুওইবা কন্সেপ অমসুং রেস্পোন্সশিং অদুদা পল্লকখিদে হায়নসু পুটিননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনগী ফীভমগী মতাংদা খন্নরকপদা রসিয়ন লিদর অসিনা কিভনা কুমজা ২০১৫গী মিনস্ক এগ্রিমেন্টশিং অমদি অতৈ দিলশিং চেকশিন্না ঙাকপা য়াম্না মথৌ তাই হায়না মেক্রোনদা খঙহনখি। চহী অসিগী অহানবা তঙ্খায়দা ফ্রান্সনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী কাউন্সীল প্রিসাইদ তৌবগা লোয়ননা মেক্রোন অমসুং পুটিননা য়ুরোপিয়ন সিক্যুরিটি ইস্যুশিংগী মতাংদা ফ্রেঞ্চ-রসিয়ন দাইলোগ মখা তানা চথবগী ৱাফম য়ান্নখি।

হৌখিবা দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা য়ুক্রেনগী ইস্যুগী মতাংদা ৱারী শানখিবদা ব্লাদিমির পুটিননা মেক্রোনদা নোর্মেন্দি ফোর্মেটকী মতাংদা অনৌবা সম্মিট অমা পাঙথোকপা হায়বসি কিভনা মিনস্ক-২ ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মখা পোল্লি হায়না ফোঙদোকখিবনি। পুটিননা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টতা মরুওইনা সিক্যুরিটি গরেন্টিগী মতাংদা মোস্কো অমসুং ৱাশিংতনগী মরক্তা য়ান্নখিবা এগ্রিমেন্টশিং থবক্তা ওন্থোকপদা খুদোংচাহন্নবগীদমক রসিয়ন দিপ্লোমেটশিংনা হোৎনরিবশিং পনখি।

পুটিননা নৌহৌননা য়ুক্রেনগা মরী লৈনবা কনফ্লিক্টকী ফীভম অসি মরুওইনা কিভনা মিনস্ক ইমপ্লিমেন্ট তৌনিংদবদগী থোক্লিবনি হায়নসু পনখিবনি। নোর্মেন্দি ফোর্মেটকী অনৌবা সম্মিট অমা পাঙথোকপা হায়বসি মিনস্ক পেকেজদা য়াওবা থৌরাংশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা কিভকী ওথোরিটিশিংনা লৌখৎলকপা তাংদাংবা ষ্টেপশিংগী মখা পোনগনি হায়নসু পুটিননা ফোঙদোকখি।



## কূগা মরী লৈননা অফ্রিকান ব্লোকনা বুর্কিনা ফাসোগী মেম্বরশিপ সস্পেন্দ তৌখ্রে

অক্রা, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): মিলিটরি কূ অমা পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা বুর্কিনা ফাসোগী মেম্বরশিপ সস্পেন্দ তৌরে হায়না ইকনমিক কম্যুনিটি ওফ ৱেষ্ট অফ্রিকান ষ্টেট (ঈ সী ও দব্লিয়ু এ এস)না লাউথোকখ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, ৱারেপ অদু রিজনল বোদি অসিগী হেদস ওফ ষ্টেট অমসুং গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটিনা য়াম্না মরুওইবা ভর্চ্যুএল সম্মিট অমদা লৌখিবনি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা বুর্কিনা ফাসোগী মিলিটরিনা নেসনল টেলিভিজনদা লাউথোকখিবদা মখোয়না লৈবাক অদুগী লৈঙাক্কী পৱার পায়শিল্লে অমসুং প্রসিদেন্ট রোক মার্ক খৃষ্টিয়ন কাবোরে থবক লেপহল্লে হায়খি।

ব্লোক অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, বুর্কিনা ফাসোগী মিলিটরিনা অকনবা প্রেসর পীদুনা প্রসিদেন্ট কাবোরেবু রিজাইন তৌহনখি। বুর্কিনা ফাসোগী লুচিংবা অসিগা লোয়ননা অতৈ পোলিটিকেল দিটেনি পুন্নমক খুদক্তা থাদোক্লবা গ্রুপ অসিনা দিমান্দ তৌখি।

মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা কন্সটিট্যুসনল ওর্দর মহৌশাগী ফীভমদা য়াম্না থুনা হঞ্জিনহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা চেরোল অদুনা হায়, কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবা থৌওংদা পৱার পায়নবা হেৎনরকপশিং ঙাকপীরোই হায়বা ব্লোক অসিগী মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা ৱারেপ অদু নৌহৌননা মরী লৈনবা খূদিংমক্তা খঙহল্লি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না রিজনল বোদি অসিগী চীফস ওফ দিফেন্স ষ্টাফ অমসুং কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মিসন অনী বুর্কিনা ফাসোদা থাদুনা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি অমসুং পোলিটিকেলগী ফীভম য়েংশিল্লগনি। বুর্কিনা ফাসো, গিনি অমসুং মালিগী ফীভম নৌনা য়েংশিন্নবা ব্লোক অসিগী লুচিংবশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।



## বাঘদাদ এয়রপোর্টতা রোকেট এট্টেক চথুখিবা ইরাকপু মালেমদগী নাইতোম তাহন্নবগীদমক্তনি : ওফিসলশিং

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): পেসেঞ্জর প্লেন অনী অমদি রনৱেদা অকায়-অতোয় থোকহনখিবা বাঘদাদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা চথুখিবা রোকেট এট্টেক ইরাকপু লৈবাক অসিগী মিংচৎ থিহন্দুনা মালেমদগী তোঙান্না তাহন্নবগীদমক্তনি হায়না ইরাকি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কাধিমিগী ৱারোল পল্লদুনা মহাক্কী মীদিয়া ওফিসনা হায়, ইরাই নুমীৎতা এয়রপোর্টতা চথুখিবা এট্টেক অদু ঐখোয়না য়াম্না কন্না হোৎনদুনা রিজনলগী অমসুং মালেমগী মীৎয়েংদা হিঙ্গৎহনখিবা ইরাকপী মিংচৎ শোকহন্নবা হোৎনবা অমনি। এট্টেক অদুনা ইরাককী এয়রপোর্টশিংগী নেসনল ফ্লাইট ষ্টেন্দর্দতা শোকহনবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল সিক্যুরিটিগী মতাংদা চিংনবগী এটমোস্ফিয়র অমা লৈহনগনি। অসিগুম্বা এট্টেকশিংগী মতাংদা তুমীন্না লৈশিনবা হায়বসি ক্রিমিনেলশিংদা পোলিটিকেল চঙজফম পীবগা মান্নে হায়না পল্লদুনা অল-কাধিমিনা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা এট্টেক অসিবু রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌননবা আপীল তৌখি।

টেররিষ্টশিংগী থবক থৌরমশিং মায় পাকহন্দবগী পান্দম ফংনবা হোৎনরিবশিংগী শরুক অমা ওইনা ইরাকতা পোৎ-চৈশিং পুশিল্লকপা অমদি লৈবাক অসিগী পোৎ-চৈশিং থাদোকপদা অথিংবশিং থমদনবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা আপীল তৌখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা থাংজ নুমীৎকী অঙনবদা হায়খি মদুদি, রোকেট এট্টেক অদু য়ু এস এক্সপার্টশিং অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়া লৈহল্লিবা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী অকোয়বদা লৈরিবা মিলিটরি বেজ অমা ওইরিবা ভিক্টরি বেজদা টার্গেট তৌখিবনি। ছোর্স অদুনা মখা তানা হায়, রোকেট মরি এয়র দিফেন্স সিষ্টমনা কাপথখি অমসুং অতোপ্পা রোকেট অনীনা প্লেন অমা য়াওনা টার্গেটশিংদা পানখি।

ইরাকি জোইন্ট ওপরেসন্স কম্মান্দ (জে ও সী)গী মীদিয়া ওফিসতা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না মশক খঙদবা মিলিসিয়াশিংনা কাটয়ুশা রোকেট তরুক এয়রপোর্টকী এরিয়াদা কাপ্লকখিবদা সিবিলিয়ন প্লেন অনী অকায়-অতোয় থোকখি। এয়রপোর্ট অদুগী অৱাংদা লৈবা অবু ঘরাইব এরিয়াদা কাপখিবা রোকেট অহুম য়াওবা রোকেট লোঞ্চর অমা তারম্বা থেংনখি।



## প্রোটেষ্ট কয়া শোকখ্রে

রমাল্লাহ, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি অহুমগী মনাক্তা ইজরেলি লান্মীশিংগা খুৎ থোক্লবদা পেলেষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টর কয়া অশোক-অপন নংখ্রে।

উহৌবশিংনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা, ইরাই নুমীৎতা অৱাংথংবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি নেব্লসকী নোংপোক অমসুং খাথংবা ভিলেজশিংদা পেলেষ্টিনিয়ন দেমোন্সট্রেটর অমসুং ইজরেলি লান্মীশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখি। পেলেষ্টিনিয়ন রেদ ক্রেসেন্ট সোসাইটিগী ইমজেন্সি দিরেক্টর অহমদ জিব্রিলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, খুৎ থোক্লবা অদুদা ইজরেলি লান্মীশিংনা রব্বর-কোটেদ মেটল বুল্লেটশিং কাপশিল্লকপদা দেমোন্সট্রেটর ১৩ অশোক-অপন নংখি। মেদিকশিং অমসুং ৱিটনেসশিংগী মতুংইন্না ৱেষ্ট বেঙ্ককী খাথংবা সিটি হেব্রোন অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাংথংবা সিটি কালকিলয়া দসু প্রোটেষ্টরশিং অমসু ইজরেলি লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি। লান্মীশিংনা টিয়ার গ্যাস অমসুং রব্বর বুল্লেটশিং কাপখি।

## জপানদা কোভিদ কন্টেক্টশিংগী ক্বারন্টিনগী নুমীৎ মশীং হন্থহল্লগনি

টোকিও, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): জপাননা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈরবা মীওইগা নকশিন্নখিবা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌবগী মতম হৌজিক চৎনরিবা নুমীৎ তরানি অসিদগী নুমীৎ তরেৎনিদা তেনশিল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিশিদানা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাক অসিগী মফম খূদিংমক্তা য়াম্না লৌনগল্লবা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা তরুকশুবা কোভিদ ৱেভ থোকহল্লিঙৈদা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। ইরাই নুমীৎতা জপানদা অনৌবা কোভিদ কেস পুন্না ৮১,৮১১ থেংনখিবদা টোকিও সিটি খক্তগী মশীং ১৭,৬৩১নি। অনৌবা ইনফেক্সন মশীং অসি অমুক হন্না অনৌবা রেকোর্দনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱারেপ অদু এক্সপার্টশিংগী মোত অমসুং অনৌবা সাইন্টিফিক ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখিবনি। জপাননা ইনফেক্সন লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং অমসুং সোসাইটিগী ফঙ্কসনশিং মেন্টেন তৌবগী মরক্তা চৎনবা য়াবা বেলেন্স অমা থমগদবনি।

মেদিকেল ট্রিটমেন্ট, পুলিস, চাইল্ড ক্যের অমসুং নর্সিং ক্যেরনচিংবগী ইসেন্সিএল ৱার্করশিং ক্বারন্টিন তৌবগী নুমীৎ মশীং হৌজিক চৎনরিবা নুমীৎ তরুকনিদগী মঙানিদা হন্থহল্লগনি। ক্বারন্টিনগী মতম হন্থহনগদৌরিবসি কোভিদ-১৯ টেষ্ট অনী পাঙথোকহনবগা লোয়নননি। জন্যুৱারী ১৪দা জপানিজ গভর্ণমেন্টনা ক্বারন্টিনগী মতম নুমীৎ ১৪নিদগী নুমীৎ ১০নিদা হন্থহনখি। তৌইগুম্বসুং বিজিনেস কম্যুনিটি য়াওনা অতৈ কয়ানা অনৌবা ভেরিয়েন্টকী কেরেক্টেরিষ্টিক্স য়েংদুনা মখা তানা তেনশিনহন্নবা তকশিনখিবনি। ওমিক্রোন থেংনরবা মতুং নুমীৎ ১০নি শুবদা লায়ওং থোক্লকপা য়াবগী ওইথোকপগী চাং অসি য়াম্না নেম্মী।

## ষ্টাফ কা হেন্না ৱাৎপদগী স্বিদেনগী ষ্টোকহোমদা চেল্লিবা ট্রেনশিংগী তঙ্খায় অমা কেন্সেল তৌখ্রে

ষ্টোকহোম, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা ষ্টোকহোমদা লাক্কদবা অমসুং সিটি অসি ফাওদুনা চেনগদবা ট্রেন পুম্নমক্কী মনুংদা তঙ্খায় অমদি ষ্টাফ কা হেন্না ৱাৎপদগী কেন্সেল তৌখ্রে।

কোরোনাভাইরস পেন্দমিক চহী অনী লৈরকপদা ষ্টাফ গ্রুপশিংগী মরক্তা অনা-অয়েক য়াওবদগী সেদ্যুল তৌরবা ট্রেন মশীং য়াম্না কেন্সেল তৌবসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি হায়না স্বিদিশ ট্রান্সপোর্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী প্রেস ওফিসর বেঙ্গট ওলসননা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখি।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, ট্রেন কয়া কেন্সেল তৌরিবদুনা নোংমাইজিং নুমীৎকী অঙনবা ফাওবদি ট্রেন খূদিংমক্তা হায়বদি লোং-দিষ্টেন্স লাইনশিং, কম্প্যুটর লাইনশিং অমসুং ফ্রাইট ট্রেনশিংদা শোকহনগনি। ষ্টোকহোম অসি ট্রেন ট্রাফিক্কী ওইনদি মরুওইবা হব অমা ওইবনা ট্রেন কয়া কেন্সেল তৌরিবা অদুনা স্বিদিশ কেপিটেল সিটি অসিগী অৱাং অমসুং খাদা লৈরিবা দেষ্টিনেসনশিংদা শোকহনগনি।

ষ্টাফকী মীওই কয়ানা লৌরিবা ছুটিগী মওং ওলসননা শুগায়না পন্দ্রবসু ওমিক্রোন কোভিদ-১৯ ভেরিয়েন্ট অসিনা স্বিদেনদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। মসিনা মরুওইবা সর্ভিস কয়াদা চাউনা শোকহল্লে। সর্ভিসশিংগী ষ্টাফ কয়া নাবদগী ছুটি লৌবা নৎত্রগা ইমুংগী মীওইশিং ইনফেক্সন লৈবদগী ক্বারন্টিন তৌরি। সর্ভিসশিং লেপহন্দনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চয়োলদা অনৌবা রুল কয়া লাউথোকখি। রুলশিং অদুগী মনুংদা সিভিল কন্টিঞ্জেন্সিস এজেন্সীনা পল্লিবা মরুওইবা ফঙ্কসনশিং শীন্নবা ভেক্সিন কাপ্পুবা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌহন্দবা য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা থেংনরিবা স্বিদেনগী কনফর্ম তৌরবা ইনফেক্সন মশীং ২,০৭০,৪৫৬ য়ৌরে অমসুং লায়না অসিনা শিহনবা মী মশীংনা পুন্না ১৫,৮২০ শুরে।

চৈরকসিদা, স্বিদিশ পব্লিক হেল্থ এজেন্সীনা হায় মদুদি, চয়োলগী ওইনা লৈবাক অসিগী অশেংবা ইনফেক্সন মশীং অসি চাউরাক্না মিলিয়ন তঙ্খায় অমরোমনি। টেষ্টিং কেপাসিটি ৱাৎলকপা হায়বসি কেস খূদিংমক দিটেক্ট তৌদে হায়বনি হায়না পল্লদুনা লৈবাক অসিদা ওথোরিটিশিংনা হৌজিক পীরিবা কেস মশীং অসি য়াম্না হন্থরম্বা য়াই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকপসু লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ কন্না শন্দোরক্লবসু অথিংবা অয়াম্বা ফেব্রুৱারী ৯দা লৌথোক্লবা য়াই হায়রি।



## য়েমেনগীদমক য়ু এননা ইমর্জেন্সি ফন্দ দোল্লর মিলিয়ন ২০ রিলিজ তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): হন্দক্তা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুখিবদা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লখিবশিং য়াওনা য়েমেনগী অৱাবা নংলবা মীওই ২৭০,০০০ গীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইমর্জেন্সি ফন্দ ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ২০ রিলিজ তৌখ্রে হায়না স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসকী দেপ্যুটি স্পোক্সমেন ফার্হান হককী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীনা হায়, ফন্দশিং অদু য়েমেনগী মারিব, অল-জেফ অমসুং হাদ্রমৌটতা লৈরিবা মীয়ামগী হ্যুমেনিটরিয়ন রিলিফতা মতেং ওইনবা য়ু এন ইমর্জেন্সি রিলিফ কোওর্দিনেটর মার্টিন গ্রিফিটনা সেন্ট্রেল ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স ফন্দদগী কায়থোকখিবনি।

রেগ্যুলর ব্রিফিং অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা হকনা হায়খি, শেনফম অদুনা হ্যুমেনিটরিয়ন এয়র ট্রান্সপোর্ট য়াওনা রেস্পোন্স অদুদা মতেং পাংনবগী ওপরেসনল কেপাসিটি হেনগৎহল্লগনি। পনবা য়াবদি, চয়োল অমগী মমাঙদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা অৱাংথংবা সিটি সাদাদা লৈবা হৌথি রেবেলশিংনা চলাইবা দিটেন্সন ফেসিলিটি অমদা থংন-থংননা এয়রষ্ট্রাইক অহুম চথুখিবনি।

হককী মতুংইন্না য়েমেনগী য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসকী ষ্টাফনা চয়োল অসিগী মনুংদা সাদাদা চৎতুনা এয়রষ্ট্রাইকশিংদুগী মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী ইনফোর্মেসন লৌগনি। টিম অদুনা মীচম কয়া শিখি হায়বসি ভেরিফাই তৌরদুনা দিটেনি ৯১ শিবগী পাউ ফংলে হায়না ফোঙদোকখি।

সাদাদা লৈবা জেলদা শাথিরবা এট্টেকশিং চথুখ্রবা মতুংদা মখোয়না লৌবা পাউদগী মফম অদুদা কাং-খোং চাইবা অমসুং য়েংবদা অৱাবগী মশক ওইবা ফীভম অমা লৈ হায়বসি খঙলে।

## ‘হন্দক নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকখিবা খুৎলায় চাংয়েংশিংনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা অকিবা পীবা লৈতে’

সিওল, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): হন্দক্তগা নোর্থ কোরিয়ানা পরিং নাইনা পাঙথোকখিবা খুৎলায় চাংয়েংশিংনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা অকিবা পীবা লৈতে হায়না জিনেভাদা লৈবা লৈবাক অসিগী তোপ ইনভোইনা ক্লেম তৌখ্রে অমসুং মহাক্না য়ু এসতা মতম চুপ্পগী ওইনা সাউথ কোরিয়াগা মিলিটরি এক্সর্সাইজ পাঙথোকপা লেপ্পবা আপীল তৌখ্রে হায়না প্যোংয়াংগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফমশিং অসি চয়োল অসিগী অঙনবদা জিনেভাদা পাঙথোকখিবা য়ু এন কনফরেন্স ওন দিসার্মামেন্টতা ৱা ঙাংবদা এম্বেসেদর হান তে-সোংনা ফোঙদোকখিবনি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়রি। জিনেভাগী কনফরেন্স অদু প্যোংয়াংনা থা অসিদা মিসাইল কয়া কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবগী মতাংদা নৌহৌননা সিক্যুরিটিগী ৱাফম লুনা লৌনরক্লিঙৈদা পাঙথোকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হানগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, হন্দক্তা অনৌবা খুৎলায় মখলশিং কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবদু দিফেন্স সাইন্স চাউখৎহন্নবগী মীদিয়ম অমসুং লোং-টর্ম প্লানগা মরী লৈননা চথুবা এক্টিভিটিশিংগী শরুক অমনি। মদুনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিং অমসুং লমদম অদুগী সিক্যুরিটিদা শোকহনবা নৎত্রগা অকিবা পীবা লৈতে। এম্বেসেদর অসিনা মদুগী মতুংদা য়ু এসতা তাথিবগী পোলিসী অমসুং চিন অনী থোক্লা ঙাংবগী থৌওং থাদোক্লবা অমদি ওফেন্সিভ মিলিটরিগী এক্সর্সাইজশিং মতম চুপ্পগী ওইনা লেপ্পগা লোয়ননা কোরিয়ন পেনিনসুলা অমসুং মসিগী অকোয়বদা তোঙান তোঙানবা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রেটেজিক এসেটশিং দিপ্লোয় তৌবা লেপ্পনবা আপীল তৌখি। ৱাশিংতনগা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শানবা মতম শাংনা লেপ্লিঙৈ মরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল মখল কয়া ইনৌ নৌনা চাংয়েং তৌখিবনি।



## ইরানগা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শানবা মতম খরা লেপ্পনি, পোলিটিকেল ৱারেপ লৌবা মথৌ তাই : ঈ য়ু

ব্রসেলস, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী): জোইন্ট কমপ্রেহেন্সিভ প্লান ওফ এক্সন (জে সী পি ও এ) হায়রগা ওফিসল ওইনা খঙনবা কুমজা ২০১৫গী ইরান ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা ৱারী শানবা মতম খরা লেপ্লি হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ন এক্সটর্নেল এক্সন সর্ভিস (ঈ ঈ এ এস)না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ভিয়েনাদা পাঙথোকপা ৮শুবা রাউন্দগী নিগোসিএসন মতম খরা লেপকনি। মসিনা শরুক য়ারিবশিংদা মখোয়গী কেপিটেলশিংদা হন্নদুনা মখোয়গী গভর্ণমেন্টশিংগা ৱা তান্নবগী মতম ফংহল্লগনি। ৱারী শানবা অদু মথং চয়োলদা অমুক মখা চথগনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু জে সী পি ও এদা অমুক হল্লকপা য়াবগী ওইথোকপগী মতাংদা শরুক য়ারিবশিংনা মখা তানা খন্ন-নৈনখিগনি। মখোয়না এগ্রিমেন্ট অদুবু করম্না সাইদ খূদিংমক্কা মপুং ফানা অমসুং ইফেক্টিভ ওইনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদগে হায়বগী মতাংদসু খন্নগনি। ঈ ঈ এ এসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি-জেনরেল এনরিক মোরানা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি, পার্টিসিপেন্টশিংনা মখোয়গী কেপিটেলশিংদা হনগনি অমসুং মখোয়গী গভর্ণমেন্টশিংগা তান্নরবা মতুংদা ইন্সট্রক্সনশিংগা লোয়ননা মথং চয়োলদা অমুক ৱারী মখা চথুনবা লাক্কনি। হৌজিক ইরানগী ন্যুক্লিয়রগী ৱাফম অসিগী মতাংদা তঙাইফদবা পোলিটিকেল ৱারেপশিং লৌবা মথৌ তারক্লে হায়না মোরানা ফোঙদোকখি।

ইরান অমসুং জে সী পি ও এদা খুৎয়েক পীরিবা অতৈ লৈবাক মঙা হায়বদি চাইনা, রসিয়া, বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিনা দিল অদুবু হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনরদুনা ভিয়েনাদা ৱারী রাউন্দ কয়া পাঙথোকখ্রবনি। প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকী মখাদা কুমজা ২০১৮দা ৱাশিংতননা দিল অসিদগী হন্দোকখি।

